য়ুথস ফাউন্দেসন ফোর ফিটনেস এন্দ সর্ভিস মণিপুরনা অমুকোগা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লান্থেংনবদা শীজিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ আয়ুশনা পীবা হিদাকশিং ক্লবশিংগী খুথাংদা মীয়ামদা য়েন্থোকখিবা

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটিনা পুখ্রি অচৌবা দিভেলপমেন্ট চরাংপাৎকা খুৎশম্নদুনা চরাংপাৎ জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৭তা হাউস টু হাউস কোভিদ টেষ্টিং চথখিবা

সেলিন দিজিটেল অমসুং এন আর মীদিয়ানা হৈঙাং এ সীগী মনুং চনবা কাইরংদা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামদা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ৱা ঙাংখিবগী শক্তম

কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, উপাকো, মপি কাউন্সীলনা পুন্দুনা শেম্বা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরনা শীন্দুনা ককচিং অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা এৱ্যের্নেস পীখিবা

নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): সগোলবন্দ থিঙোম লৈকায়দগী নোংথোম্বম নোংপোকঙানববু বি জে ৱাই এমগী নেসনল সেক্রেটরি অমা ওইনা হাপ্লকপদা বি জে পি সগোলবন্দ মন্দলনা থম্মোয় শেংনা হরাওবা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। নোংপোকঙানবনা মীয়ামগী মরুওইনা হৌরক্লিবা নহাশিংগীদমক, পার্টিগীদমক হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা মতিং লৈনা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি হায়না বি জে পি সগোলবন্দ মন্দলগী প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ রুহিকান্ত শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৬তা মাস কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১২ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মতুংদা আই সী এ আর সোসাইটি ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবকুমারনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী ইমুংশিংদা নত্তনা লৈকায় অদুদা লৈবা টোটেল কর্ফিয়ুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা ইমুংশিংদা থক্ল-চানবা ঈশিংনচিংবা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

শেলগী মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): দ্যুটি লোইরগা ময়ুম হল্লকপদা শোক্লবা ভি দি এফ ওইনাম সনাজাওবদা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম দি রিয়াজ খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা জুলাই ৬কী অহিংদা দ্যুটি লোইরগা ময়ুম হল্লকপদা অহিং নোংয়াই পুং ১২ রোম তাবদা লাইবক থীদুনা এক্সিদেন্ট থোকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিজার্ভ লাইনদা পোষ্টিং তাবা পিশুমথোং ওইনাম লৈকায় লাইরেম্বী মনিংদগী ভি দি এফ ওইনাম সনাজাওবা অশোক-অপন নংখি। শোক্লবা সনাজাওবা হোস্পিটালাইজ তৌবগী মেদিকেল রিপোর্টকী মতুংইন্না লায়েংবদা চঙবা খূদিংমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী ফন্দদগী শেনফম অদু খুৎশিন্নখিবনি। লোয়ননা কোভিদকী খম থেংনা ৱারবা মতমসিদা থৱায় খুবাক্তা হাপ্পুনা দ্যুটি তৌরিবা ভি দি এফশিংনা য়াম্না মীকুপ নাহুম-শিংনা দ্যুটি তৌবগা লোয়ননা এস ও পি অমদি চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লবসু আপীল তৌজরি।

মাস টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগা খুৎশম্নদুনা হৌজিক হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চথরিবা হাউস টু হাউস টেষ্টিং প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং চরাংপাৎ জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৭তা কোভিদ-১৯গী মাস টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে। পুখ্রি অচৌবা দিভেলপমেন্ট, চরাংপাৎ (পি দি সী) গা খুৎশম্নরগা ঙরাং পাঙথোকখিবা মাস টেষ্টিং অদুদা মীওই ১০০ হেন্না টেষ্ট তৌবদা মীওই ৮ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়রি।

মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): ঐখোয় মশেল অৱাবা তারবা মতমদা অমনা অমদা মতেং পাঙনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা ওইরগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লায়না অসিগী চৈথেং ফংলুরবা ইমুং অমনা ঙসি লৈকায় অদুদা লৈমিন্নবা ইমুং ৮০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে। ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকায় য়েন্দ্রেম্বম লৈরক্তগী য়েন্দ্রেম্বম বিরেনগী ইমুং-মনুংনা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, ৱাংজিং এস কে মমাঙ লৈকায়গী থৌ পুবশিংদা খুৎশিন্নরবা মতুং টাস্ক ফোর্স অসিনা অমুক য়ুমথোঙ খূদিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

লৈরিবা ফীভমসিদা অমগা অমগা হুন্নদুনা লৈবগী মতম নত্তে : এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওইবা খুন্নাইদা চৈথেং কয়া পীরক্লিবশিং অসিনা মরম ওইরগা লৈরিবা ফীভমসিদা অমগা অমগা হুন্নদুনা লৈবগী মতম নত্তে হায়না ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙরাং ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুংদা লৈবা য়াংবীদা লৈরিবা ইমুংশিংদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনবগী ফীভমশিং অদু হকথেংননা য়েংশিল্লদুনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখিবনি। য়াংবী খুনৌ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী মেম্বরশিংগা পুন্না য়েংশিনখিবা অদুদা য়ুম-য়ুমদা থক্লবা টোটি ঈশিং মরাং কায়না তারম্বা থেংনখি।

য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীয়াম্না ঙসিদি থক্লবা অফবা ঈশিং য়ুম-য়ুমদা ফংবা ঙম্বসি অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা পোকই। মতম কয়াগী মমাঙদগী এ সী অসিগী মীয়াম্না থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরম্বা অদু হৌজিক্তি খরমখৈদিকোকপা ঙল্লে। এ সী অসিগী মফম খূদিংমক্তা থক্লবা অফবা ঈশিং নীংথিনা ফংহন্ননবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎখিগনি।

মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরকখিবা মতম অদুদগী হৌনা এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক য়াইফনবা তৌগে খনখিবা থবকশিংগী মনুংদা খরদি মপুং ফানা পায়খৎতুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহনবা ঙল্লে। মসিগী শরুক অমা ওইনা এ সী অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনবা হৌরে। এ সী অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থবক খরা তৌবদা মীয়াম্না অপেনবা পোকপীবা অসি অদুক্কী মতিক নুংঙাইজে। অমরোমদা, মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না থোরক্লগা য়েৎনবগী থবক তৌরোইসি। অমগা অমগা হুন্নদুনা লৈগদবা মতম নত্তে। সোসল মীদিয়াগী খুথাংদা খুদোংচাবা খরা লৌনবগীদমক মী য়োনবগী থবক তোক্লসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থক্লবা টোটি ঈশিং ফংলবা ইমুং কয়াগী মীওইশিংনসু মতম শাংনা মফম অসিদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা লৈরম্বা অদু এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা ঙসিদি ফংহনবা ঙল্লে। লম্বী-থোংগী ফীভমদসু অহোংবা কয়া লাক্লে। মখা তানসু মীয়ামগী য়াইফননবা এম এল এনা থবক কয়া পায়খৎপীরকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ফোঙদোক্লরখি।

চাউখৎ থৌরাংগী চাকথুং খূদিংমক শোয়দনা ফংহল্লগনি : এম রামেশ্বর

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মমাঙদা লৈরম্বা এম এল এনা চহী ১৩ মখায়দা ককচিং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা সোরা, ইরেংবন্দ, মাইরেন্বম, বিজয়পুর অমদি পল্লেলদা লৈরিবা মীয়াম অসি মরুওইদে, অনীশুবা থাক্তা লৈবা মীওইশিংনি হায়দুনা ইন্থোকপীদুনা থম্বীরম্বা অদু ঙসি মহাক্লা এম এল এ ওইরকপদগীদি খুলশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা অহানবা থাক্তা লৈবা মীওইশিংনি হায়না লৌজবগা লোয়ননা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং মথং-মনাও পায়খৎপা হৌজরে। মখোয়গী তৌফম থোকপা থৌরাংগী চাকথুং খূদিংমক অদুসু শোয়দনা ফংহল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীপুম খূদিংমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্তুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঐখোয় খূদিংমক কলহৌগদবনি হায়বগী পান্দমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পাউতাক মতুংইন্না ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি সোরা ময়াই লৈকায়দা লৈবা এ আই ফিকর ইন্টরনেসনল স্কুলদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরমদা মথক্কী ৱাফম অসি এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপনা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মরুওইবা পান্বে অমা ওইরিবনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা ৱাটচএপতা, ফেসবুক্তা, সোসল মীদিয়াদা ভেক্সিন অসি কাপ্পা মীওইশিং চহী ২গী মতুংদা শোয়দনা শিগনি, ভেক্সিন অসি কাপ্লুবনা ঐখোয় মীওইবদা ফৎতবা কয়া অমা থোকহল্লক্লগনি হায়না অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্লিবা অসি থাজবা থম্বীগনু। ককচিং এ সীগী ওইনা ভেক্সিন কাপ্পা য়াবা মীওই ২৮,৯৪০ লৈবগী মনুংদা মওই লিশিং ২৩ হেনবদা ভেক্সিন কাপথোকখ্রবনি। ৱাৎহৌরিবা খরা অসি কদায়দনো হায়না থিদোকপদা অয়াম্বনা সোরাগী এরিয়াদা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং অসি য়াম্না নেম্বনা ওইরে। মরম অসিনা শন্দোরক্লিবা লাইচৎ অসিদগী ঐখোয় পুন্না হিংমিন্ননবা শোয়দনমক ভেক্সিন কাপ্পীদুনা লৈরিবশিং শোয়দনমক ভেক্সিন কাপথোকপীদুনা ঐখোয় খূদিংমক লাইচৎ অসিদগী কনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এফ গোংলিননা দি আই জি ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): ফাওমৈ গোংলিননা মণিপুর পুলিসকী দি আই জি ওইরকপদা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (এ এম এন), কব্বুই মাদরস এসোসিএসন মণিপুর, জেলিয়াংরোং ৱিমেন্স য়ুনিয়ন অমদি জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না জেদ য়ু (এ এম এন)গী জেনরেল সেক্রেটরি পন্তিজাই ন্যুমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, আই পি এস ওফিসর ফাওমৈ গোংলিনগী মথক্তা শীরকপা মরালশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু দি আই জি ওইহন্ননবা ওর্দর পীখিবগীদমক মণিপুরগী গভর্ণরসু জেদ য়ু (এ এম এন), কে এ এম এ, জেদ দব্লিয়ু য়ু, জেদ এফ এননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

মহৈরোয় লূপ ৬না গভর্ণরদা অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু)গী অহানবা ভাইস চাঞ্চেল্লরনা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদা মহাকপু অমুক হন্না এম টি য়ুগী টেম্পররি ভি সী ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবীগনু হায়না মহৈরোয় লূপ ৬না মণিপুরগী গভর্ণরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে।

এইমসকী প্রসিদেন্ট সাইখোম প্রেমচান্দ, এমসুগী প্রসিদেন্ট হাওবিজম চলাম্বা, দেসামগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইদিসন, কে এস এগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম চেতন, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট বিদ্যাসাগর অমসুং সুককী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিঙোম্বনা খুৎয়েক পীরগা মণিপুরগী গভর্ণরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা এম টি য়ুগী অহানবা ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর লাইফ্রাকপম তোম্বীবু থবক্তগী পোথারবা মতুংদা অমুক হন্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী টেম্পররি ভি সী ওইহনবীগনু হায়না ৱাকৎখিবনি।

গভর্ণরদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুগী অতোপ্পা কোপীশিং চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদসু পীশিনখি। ৱাকৎ চেরোল অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিংদি প্রোফেসর লাইফ্রাকপম তোম্বীবু এম টি য়ুগী অহানবা ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা হাপখিবা মতমদা এম টি য়ু এক্টকী প্রোভিজনশিং লৈঙাক্লা খোঙ্গাওনখি। য়ু জি সীগী গাইদলাইন মতুংইন্না চহী ৭০ হেল্লবা অমবু য়ুনিভর্সিটি অমগী ভি সী অমা ওইনা নৎত্রগা প্রোফেসর ওইনা থবক পায়বগী অয়াবা লৈতে। মসিদসু নত্তনা মহাকপু টেম্পররি ভি সী ওইনা হাপ্লকপদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা অকায়বা কয়া অমা লাক্কদবনা মরম ওইরগা হীরমসিগী মতাংদা গভর্ণরনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

ওনলাইনগী খুথাংদা চাংদম্নবা পাঙথোক্কনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাংগী মিংদা চহী অসিদসু ওনলাইনগী খুথাংদা এসে, দিবেটিং, পেন্টিং অমদি ফোটোগ্রাফিগী চাংম্নবা পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইবম জুলেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিদা অমুবা লো আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট ১৯৫৮ থমজিন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীচম মীয়াম অমদি লমদম অসিগী চনুরা কয়া ওৎপা নৈবা অমদি হাৎপা ফাওবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চহী কয়াগী মমাঙদগী চথদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা তমথীরবা লো অসি মালেমগী লৈবাক কয়া অমদি ওর্গনাইজেসন কয়ানা ফাওবা মতমগা চুনদ্রবা অমদি মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবা লোনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু মালেমদা দিমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাকনি হায়রিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি ঙসি ফাওবা নোর্থ ইষ্ট অমসুং জম্মু কাশ্মিরনচিংবা ষ্টেটশিংদা থমজিন্দুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মনিং তম্না থবক তৌদুনা লাক্লি।

তমথিরবা লো অফস্পা ১৯৫৮ অসি লমদম অসিদগী লৌথোক্লবা এম এস এফ অমদি পুন্না চৎমিন্নবা ওর্গনাইজেসনশিং পুন্দুনা ঈহৌ কয়া চথখি। হায়রিবা ঈহৌশিং অসিগী মনুং চন্না এম এস এফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী এদভাইজর ওইনা থৌ পুরম্বা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাংনা লমদম অসিদগী অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোক্কদবনি হায়বা খোল্লাও লাওরল্লগা মশাবু হ্যুমেন টোর্চ ওইনা মৈ থাজদুনা লৈখিদবা নুমীৎ ওগষ্ট ১৬ অসি এম এস এফনা অথৌবা অসিগী নুমীৎ দি ষ্টুদেন্টস মার্টিদম দে হায়না মমাঙদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অথৌবা অসিগী নীংশিং নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা অথৌবা অসিগী মিংদা কুমজা ২০১৯দগী হৌদুনা কম্পিটিসন কয়া পাঙথোরক্লি। অদুবু চহী অসিগী ওইনা পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরগা ওনলাইনগী খুথাংদা এসে, দিবেটিং, পেন্টিং অমদি ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসনশিং পাঙথোকচরগনি। এসেগী ওইনা ‘টু ইগনাইট দি স্প্রিদ ওফ নেসনেলিজম ইন দি মাইন্দ ওফ দি য়ুথস ওফ মণিপুর’ পেন্টিংগী ওইনা ‘নেসনেলিজম এন্দ পেট্রিওটিজম’ হায়বা টোপিকশিং অসি ওইগনি। কম্পিটিসন অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা কম্পিটিসনশিং অসিগী মতাংদা অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা এম এস এফকী ফেসবুক পেজ অমদি মোবাইল নম্বর ৯৮৬৩৪৭১৬৭৫/৯৩১৫২২৫৪৮৭ অসিদা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শামুরৌ কৈথেলদা মীওই ২০০ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল, ইনর্জেটিক য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ঈৱাইদিও), শামুরৌ কৈথেল, শামুরৌ প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টকা পুন্না শীন্দুনা শামুরৌ কৈথেলদা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা মীওই ২০০গী মথক্তা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

কোভিদকী ভেক্সিন কাপথোকখিবা অসি শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলনা কোল্লিবা মফমশিংদা হায়বদি লংথবাল এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা হাওরৈবী, ৱাঙ্গৈই এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা নাওরেম, ওইনাম শওম্বুং, শামুরৌ অমদি লিলোং এ সীগী মনুং চনবা লিলোং হাওরৈবীগী মফমশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্তবা কনা কনা লৈরি অমদি মখোয়গী মনুংদা কনা কনাবু হিদাক কাপথোকপা মথৌ তাই হায়বদু হান্না য়ুম-য়ুমদা চৎলগা রেকোর্দ অমা লৌরবা তুংদা ভেক্সিন কাপথোকখিবনি।

শামুরৌ কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুদা ঈ ৱাই দি ওগী প্রসিদেন্ট লৈহাওথাবম প্রিয়োরঞ্জন শর্ম্মা, শামুরৌ প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরগী এম ও ইন-চার্জ ডা. হাওবম রোবি, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর লাইশ্রম রোমেশ, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এক্স-চ্যেরপর্সন লৈহাওথাবম রোনিবালাসু শরুক য়াখি। ভেক্সিন কাপথোকখিবা অদুদা অমুকোগী থৌমীশিংসু লাক্তুনা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরমশিং অদুদা মতেং পাঙলমখি হায়রি।

‘মীয়ামগী পোজিটিভ রেস্পোন্স খক্তনা কোভিদ মায় পাক্লা থেংনবা ঙমগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লান্থেংনবদা ষ্টেট অসিগী ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি ৱার্ক্স অমসুং আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা শীংথাবগা লোয়ননা মীয়ামগী পোজিটিভ রেস্পোন্স খক্তনা কোভিদ-১৯গী লাঞ্জং অসি মায় পাক্লা থেংনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি থোংজু এ সীগী মনুং চনবা খোংমনদা লৈবা এস দব্লিয়ু সীগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হকথেংননা য়েংশিল্লদুনা মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্লা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চথরিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং অসিদা মীয়াম্না থৱায় য়াওনা থোরক্লগা ভেক্সিন কাপথোক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। থোংজু এ সীগী ওইনসু মীয়াম্না মশাদা চিংনবা অমত্তা য়াওদনা হিদাক কাপ্পা থোক্লরক্লিবা অসি অপেনবা পোকই। মসিনা এ সী অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসি মায়থীবা পীবা ঙমগদৌরিবনি।

মীদিয়াগী মীওইশিং, ডোক্তর, নর্স অমদি আশা ৱার্কর য়াওনা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি থাগৎলি। মীয়ামগা পুন্না লান্থেংনমিন্নদুনা তমথীরবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি মায়থীবা পীননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা আপীল তৌরক্লি।

থোংজু এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকা খুৎশম্নদুনা থোংজু এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঙসিসু খোংমনদা লৈবা এস দব্লিয়ু সী কম্যুনিটি হোলদা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা মীওই ৪৬০ ভেক্সিন কাপখি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা শীজিন্নবা হিদাকশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): য়ুথস ফাউন্দেসন ফোর ফিটনেস এন্দ সর্ভিস (ৱাই ও এফ এফ এস) মণিপুরনা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লান্থেংনবদা শীজিন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ আয়ুশনা পীবা হিদাকশিং ঙসিসু মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রে হায়না ৱাই ও এফ এফ এসকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ রমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হিদাকশিং ৱাই ও এফ এফ এসকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ রমানন্দ অমসুং আই দব্লিয়ু দি য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট খাইদেম হেরামনি খাবনা লুচিংবা টিম অমনা য়েন্থোকখিবনি। হিদাকশিং অসি থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লব, লকস প্রাইওনিয়র ক্লব, নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকায়, ইরোইশেম্বা য়ুথ ক্লব অমসুং লোকেল য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, ক্বাকৈথেলগী থৌ পুবশিংদা খুৎশিন্নখি। হিদাকশিং অসি ক্লবকী মীহুৎশিংনা য়ুমথোঙ খূদিংদা য়েন্থোকখিবগী থবকশিং চথহৌরি।

আয়ুশ দিপার্টমেন্টনা পীবা হিদাকশিং অসি মখা তানসু মণিপুরগী মফম খূদিংদা ফংহন্ননবা অমুকো অমসুং ৱাই ও এফ এফ এসকী কোভিদ ৱারিয়রশিংনা হোৎনখিগনি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীননবা মীয়ামদা আপীল তৌজরি।

ককচিং অমসুং চান্দেলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্লা থেংনরিবা তমথীরবা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা অমদি থেংনবা ঙম্নবা কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, উপাকো অমসুং মপি কাউন্সীলনা পুন্দুনা শেম্বা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি ককচিং অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর গীতচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱ্যের্নেস অসিগী মরুওইবা থীমদি ‘দু ভেক্সিনেসন, ষ্টে সেফ ফ্রোম কোভিদ-১৯; ভেক্সিনেসন ইজ দি ওনলি ৱে টু ফাইট কোভিদ-১৯; মেন্টেন এস ও পি, ষ্টে সেফ এন্দ হেল্দি; লেটস ফাইট কোভিদ-১৯ টুগেদর’ হায়বসিনি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং অদু ৱাবগাই, লমজাও, লাংমৈদোং, য়াংদোং, থৌনাওজম, এলাংখাংপোকপী, তম্পাক খুল, লিতান, পুরুম খুল্লেন, পুরুম পম্বা, থোংজাও-ৱাইখোং, আইহাং, কালিকালোক, ককচিং খুনৌ, উমাথেল, পাঙলতাবী, নুঙু, চাইরেল, তাংজেং, ৱাপোকপী, শুগনু, সেরৌ, তোকপা চীং, শরিক খোঞ্জিল, অরোং নোংমাইখোং, লফুপাৎ তেরা, ফৌবাকচাও, সেকমাইজিন, ইরোং চেসাবা, সম্থেল, হৈবোংমখোং, মাইবম হিরেন অমসুং হিয়াংলমনচিংবা মফমশিংদা চথখিবনি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা মীয়াম ৱাখল তাদ্রগদি থেংনবা ঙল্লোই, কোভিদ-১৯গী লায়ওং উৎলবদি শোয়দনা টেষ্ট তৌথোকপীগদবনি। অনাবা লোৎশিন্দুনা থল্লোইদবনি। ঙন্না লায়েংহৌবনা অদোমগী মমল য়াম্লবা পুন্সি কনগদৌরিবনি। চহী ১৮ হেল্লবদি শুংশোয় শোয়দনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপসি। দব্লিয়ু ঐচ ও, হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমদি হোম দিপার্টমেন্টনা পীরিবা মতম মতমগী এস ও পিশিং ঐখোয় খূদিংমক্লা ঙাক্লা চৎমিন্নসি। কোভিদ-১৯ অসিবু মায়থীবা পীনবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র্স ওইনা লৈরিবা ডোক্তর, নর্স, হেল্থ ক্যের ৱার্করস অমদি পুলিসনচিংবশিং অসিনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক লৌরিবা থৌদাংশিং ঈকায় খুম্নসি হায়বা ৱাফমশিং মীয়ামদা ওদিও রেকোর্দিংগী খুথাংদা খঙহনখি।

রিমসকী এসিষ্টেন্ট মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. ৱাই অরুনকুমারনা কোভিদকী মতাংদা থল্লকখিবা ‘ডোক্তর অমা ওইনা কোভিদ মেনেজমেন্ট তৌবদা অৱাবা কয়া থেংনৈ, মসিগী মনুংদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবদি পেসেন্ট কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমহৌদবা অসিনি, মরম অসিনা মীয়াম্না কোভিদ চঙহন্দনবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু, মাস্ক শোয়দনা উপ্পীয়ু, সাপোন শীজিন্নদুনা খুৎ-শা তোয়না হাম্বীয়ু, সেনিটাইজর শীজিন্নবীয়ু, মী অমগা মী অমগা ফিট ৬কী অরাপ্পা থম্বীয়ু, মরম লৈতনা চৎথোকপীদবা কয়া অসি ঐখোয়না চেকশিন্না ঙাক্লবদি কোভিদ শন্দোরকপা থিংবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। ভেক্সিন অসি শোয়দনা কাপথোকপীয়ু। ভেক্সিন কাপ্পনা ভেক্সিন কাপ্তুবা অনাবদগী শাফবা য়াম্না হেল্লি। পেন্দমিক অসি থেংনবদা ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাং চাউই’ হায়বা ৱাফমশিংসু মীয়ামদা তাহনখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

‘কর্ফিয়ুগী অথিংবা ঙাক্লা চৎপীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্ননবা লৈঙাক্লা নুমীৎ ১০ নি চুপ্পা থল্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা মীয়াম্না ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোরক্লি।

খুমন অপোকপা সোসল প্রোগ্রেসিভ ক্লবনা মেদিকেল দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক মমাঙ লৈকায়দা ঙসি পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী থবক থৌরমশিং হকথেংননা য়েংশিল্লদুনা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মাস ভেক্সিনেসনগী থবকশিং চথরি। মমাঙদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পদা অকিবা নুংঙাইতবা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি কোকখিদুনা ভেক্সিন কাপ্পনবা মীয়াম্নসু হোৎনরি। লৈকায়-লৈকায়দা ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরমশিং পাঙথোকপদা চৎলগা য়েংশিল্লুবা মতমদা মীয়াম পাক শন্না ভেক্সিন কাপ্পা থেংনরে। মসিদা অপেনবা পোকই। ভেক্সিন কাপত্রিবশিংনসু ভেক্সিন অসি কাপথোকপীয়ু। লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লননবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎমিন্নদুনা লায়না-লাইচৎ অসি মায়থীবা পীনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা চথরকপা কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ঙরাংসু ইদ-উল-অধাগী কুম্মৈ পাঙথোকখিবা হৈঙাং এ সীগী মনুং চনবা কাইরংদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা ফেস মাস্কশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈথেংশিং অসি খঙলবা ফাওবদা চেকশিনমিন্নবা ৱাৎপগী মমি তাবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ঐখোয় পুন্না ৱাখল তামিন্নবা চঙই। কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পুনা এস ও পি ঙাকমিন্নরবা মতমদা লায়না-লাইচৎ অসি মায়থীবা পীবা ঙমগদৌরিবনি হায়খি।

পি পি সী এমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস): লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংগা মরী লৈননা হৌখিবা ঈহৌ কয়াদা অচৌবা থৌগাই পুরম্বী ইমা মোমোন লৈমনা লৈখিদবদা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)না অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না পি পি সী এমগ কনভিনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী লিশিং কয়া নীং-খা তম্না পানজরম্বা মরোমদোম লৈঙাকচদুনা মনিং তম্বা লৈবাক অমগী তৌফম থোকপা তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং হায়বদি লমগী শক্তম ঙাকচবা, অতোপ্পা থংনবা লৈবাকশিংগা লৈনগদবা মরী, লৈবাক মনুংগী ফুরুপশিংদা পীরমখিবা নীংতম্বা লৈঙাক, মী অমগী অপাম্বা লাইনিংলোন্দা নীংতম্বা থম্বা, মশাগী নাৎকী শক্তম চৎন-লোনচৎ অমদি তৌফম থোকপদা তৌহনবা অসিনচিংবা পুম্নমক ঙাক্তুনা চৎনরম্বা লৈবাক অসিনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন্দা শেংফাৎতনা অমদি নম্লৌদা পুনখিবদগী হোংলকখিবা অহোংবা কয়ানা হিংলিবা পুন্সিরোলদা অসুক্কী মতিক তায়ওন্নরবা অমদি ঙমখৈ লৈতনা কিন্থরবা খুন্নাই অমদা চঙশিল্লকখিবা মতমদগী হৌদুনা লেপ্পা লৈতনা ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি।

মসিগী মনুংদা লৈবাক অসিবু মচেৎ মচেৎ থুগায়নবা হোৎনরকপা ফুরুপশিংগী মরক্তা শীংচেপ থাজিনবা, অচৌ-মচা, অৱাং-অনেমগী ৱাখল্লোন শাগৎহল্লকপা, মালেমগী চৎন-লোনচৎনা পীবা মী অমা ওইনা পোল্লগা নীংতম্না হায়দোকচবা, লৈজবা অমদি হিংজবগী ঙাক্লোন পুম্নমক্তা অথিংবা থমজিনবদা নত্তনা শক্তম কন্ননবা অমদি নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবগী হৌখিবা খোঙজং/ঈহৌ কয়াদা অচৌবা থৌগাই পুবীরম্বা ইমা মোমোন লৈমনা তাইবংপান থাদোকখিবদা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরগী মখাদা লৈবা মেম্বর খূদিংমক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবা ইমা অসিনা লৌবীরম্বা থৌদাংশিং মেনখৎপদা অৱাবদি লৈরগনি। ইমানা লৈখিদবদা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি। লোয়ননা তাইবং শেম্বীবা মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈতানা লৈরুনবসু থৌনিজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।